# ৪শুবা টিঐচ মজারুন বিবি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট
# খাসি ৱাইসি কামারঙ্গা টিমনা লালপানি এসসিবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ঃ
থা অসিগী তাং ৩ দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ৪শুবা মজারুন বিবি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কামারঙ্গা টিমনা লালপানি এসসি টিমবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।



ঙসিগী মেটচ অসিদা খাসি ৱাইসি কামারঙ্গা টিম অমদি লালপানি এসটি টিম অনীনা শান্নখি। খাসি ৱাইসি কামারঙ্গা না তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা লালপানি এসসি টিমনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফ মমাংদা খাসি ৱাইসি কামারঙ্গা টিমগী শান্নরোই কাইন্দনেস না ৩৯শুবা মিনটতা গোল ১ চনদুনা একাউন্ট হাং দোকখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চানবা ঙম্নদবদগী খাসি ৱাইসি কামারঙ্গা টিমনা লালপানি এসসি টিমদগী গোল ১–০ ওইদুনা মাংজিল থাদুনা চৎখি।


অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা লালপানি এসটি টিম গী শান্নরোই রোমিও না ৫৮শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি। অদুগা খাসি ৱাইসি কামারঙ্গা টিমগী শান্নরোই তাই না ৬৯শুবা মিনটতা গোল ১ অমুক চনদুনা খাসি ৱাইসি কামারঙ্গা টিমনা লালপানি এসসি টিমবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা ও বিসেশ্বর, এম অমরজিৎ, শ্যাম অমদি ই তোমচৌ সিংহ না সেন্টের রেফরি, এআর ১, এআর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েং ন্যু লাইট ক্লব অমদি আররৱাইসি রংগ্রাইজাং টিম অনীনা লম্বা থেংনরগনি।

# ইন্দিয়াগী দিভিস সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এ সিতাক সাংহাই রোলেস
# মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

সাংহাই, ওক্টোবর ০৮ঃ
চাইনাগী সিটি সাংহাইদা চত্থরিবা এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট সাংহাই রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী দিভিস সারন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এ সিতাক নুপাগী দবলস কাংলুপ্তা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।





ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দ মেটচতা ইন্দিয়াগী দিভিস সারন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এ সিতাকনা চাইনাগী পিয়র এম গোং অমসুং জি ঝাংবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দা অহুমশুবা সিদেদ পিয়র পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোগা শান্নরগনি।

সাংহাই রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা বৃটেনগী দি ইংলোট অমসুং ক্রোএসিয়াগী স্কুগোরনা সাউথ কোরিয়াগী ঐচ চুং অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এম ইবদেলবু ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দা অনীশুবা সিদেদ পিয়র ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মরাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাতে পেবিসকা শান্নরগনি।

সাংহাই রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দা চিলিগী এন জেরিনা জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেভপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৬–৪, ৩–৬, ৭–৬ (৭–৫) তা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দা মঙাশুবা সিদেদ শান্নরোই ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী বোরনা কোরিকনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা মেটচতা স্বিইজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু ৪–৬, ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দা য়ুএসএগী বি ক্লাহনগা শান্নরগনি।

য়ুএসএগী ক্লাহননা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিয়োসপু ৪–৬, ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

স্পেনগী বোষ্টিস্তা অগুদনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা রুসিয়াগী এন্দ্রি রুভলেভপু ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দা য়ুএসএগী মেকদোনাল্ডগা শান্নরগনি।

মেকদোনাল্ডনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ মেটচতা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই কানাদাগী মিলোস রাউনিকপু ৬–৩, ৫–৭,৬–৩ দা থোইরম্বনি।

য়ুএসএগী সাম ক্বেরিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৯শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী দি স্বার্তজমেনবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দা য়ুএসএকী অতোপ্পা শান্নরোই টি ফ্রিতজ কা শান্নরগনি।

য়ুএসএগী টি ফ্রিতজনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা নেদরলেন্দসকী রোবিন হেসপু ৬–৩, ৭–৬ (৭–৩) দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা গ্রিসকী সিটসিপাসনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসপু অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৭–৬ (৭–৪), ৪–৬, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দা য়ুএসএকী ইস্তিভ জোন্সনবু ৬–৭ (৬–৮), ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বা রুসিয়াগী কারেন খাচানোভকা শান্নরগনি।

১৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ইটালিগী সেচিনাতোনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী সাইমোনবু ৬–৭ (৪–৭), ৬–৪, ৭–৬ (৭–২) দা থোইরম্লগা নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ফ্রান্সকী জেরেমি চার্দিনা জর্মনিগী মারতেররবু নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ মেটচতা ৬–৩, ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দা নোভাক জোকোবিসকা শান্নরগনি।

# ইন্দিয়াগী চহি ১৯ মখা ক্রিকেট টিমনা শ্রিলঙ্কাবু রন ১৪২দা থোইদুনা
# য়ু–১৯ এসিয়া কপ ক্রিকেটকী ৬রক শুবা টাইটল লৌখ্রে

ধাকা, ওক্টোবর ০৮ঃ
বংলাদেশনা য়ুম্ব ওইদুনা চত্থখিবা য়ু–১৯ এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী চহি ১৯ মখা টিমনা শ্রি লঙ্কাবু রন ১৪৪ দা থোইদুনা ৬রক শুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।



ফাইনেল মেটচ অদুগী তোচ ইন্দিয়াগী কেপ্টেন পি শিমরন সিংহ না ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা বেট্টিং অদুদা ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ৩০৪ লৌখি।

ইন্দিয়াগী ওপন্নর য়াসাসভি জাইসৱাল অমসুং অনুজ রাৱটনা য়াম্না ফজবা পার্টনরসিপ অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু রন ২২১ য়ৌহল্লকখি।

ওপন্নর য়াসাসভি জাইসৱালনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা রন ৮৫ লৌরম্লগা আউত ওইখি। জাইসৱালনা মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স ১ অমসুং ৮ য়ৈরমখি।

অতোপ্পা ওপন্নর অনুজ রাৱটসু ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা বোল ৭৯ মায়োক্নবদা রন ৫৭ লৌবা ঙমখি। মহাক শ্রী লঙ্কাগী ৱিকেট কিপর দুলিথ ৱেলালাগেনা ষ্টম্পিংদা আউত তাহনখি। নৌনা থোক্লকখিবা কেপ্টেন পি শিমরন সিংহ অমসুং অয়ুস বাদোনিনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু মখা তানা শেমগৎলকখি। মখোয় অনীনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপ অদুদা রন ১১০ হাপচিনবা ঙমখি। অয়ুস বাদোনিনা বোল ২৮ মায়োক্নবদা রন ৫২ লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী স্কোরর অদু রন ৩০০ লাম্থোকপা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন পি শিমরন সিংহ না য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা আউত ওইদনা রন ৬৫ লৌরমখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরমখি।

শ্রি লঙ্কানা মায় পাক্নবগী রন ৩০৫ লৌবগী তার্গেট লৈখিবা অদু ৩৯শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা শুপ্নগী রন ১৬০ খক লৌখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ১৪৪ দা শ্রি লঙ্কাবু মায়থিবা পীদুনা ৬শুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

শ্রি লঙ্কাগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফিভম ফজখ্রবসু মখা তাবা বেটচমেনশিং মথং–মথং আউত ওইরকপদগী শুপ্নগী রন ১৬০ লৌরগা লোইশিনখিবনি। শ্রী লঙ্কাগী ওপন্নর নিসাল মাদুস্কানা রন ৪৯ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। অতোপ্পা ওপন্নর বেটচমেন সুরিয়াভানধারানা রন ৩১ লৌরম্বা অদু টিম অদুগী শিংথাবা য়াবা রন ওইখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লর হর্স টিয়াগিনা রন ৩৮ পীরগা ৱিকেট ৬ লৌদুনা শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদু মচেৎ তানা থুগায়খিবনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোল্লর দেসাইস্যু শ্রি লঙ্কাগী ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখি।

# ৩শুবা টিঐচ হেরা সিংহ ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ঃ
জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্যুনিটি হোল কম কাংশঙ, বাবুপারাদা দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন (দিকেএ) জিরিবামনা শীন্দুনা টিম ৫ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা ৩শুবা টিঐচ হেরা সিংহ ভেটরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সনামাহি, কছারনা এমআইটিএল জিরিবামবু পাঞ্জল ১৪–১২ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা এমআইটিএল জিরিবামনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা সনামাহি কছারনা কাং কাপ্পা হৌখি। মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না কন্না ফজনা শান্নখি। অদুবু অপীবা মতমদা সনামাহি কছারনা এমআইটিএল জিরিবামবু পাঞ্জল ১৪–১২ দা মায়থিবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১২দা এসএৱাইসি সোরোক অতিংবী অমদি এমআইটিএল জিরিবামগা শান্নরগনি।

# য়ুঠ ওলেম্পিক গেমসকী হোক্কিদা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা উরুগেবু ২–১ দা থোইখ্রে

ব্যুনোস আইরেজ, ওক্টোবর ০৮ঃ
আর্জেন্টিনা য়ুম্ব ওইদুনা লৈবাক অসিগী কোনুং ব্যুনোস আইরেজদা ঙরাংদগী হৌখিবা য়ুঠ ওলেম্পিক গেমসকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী হোক্কিগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী টিমনা উরুগেবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে।



নিংশিংবা য়াই ইন্দিয়ানা গেমস অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ওষ্ট্রিয়াবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ঙসি ইন্দিয়া অমসুং উরুগেনা শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অদু অহানবা ক্বার্টরদগী হৌরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা উরুগেগী শান্নরোইশিং অদুবু লাকশিনবা ঙমখি।

অহানবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর লালরেমসিয়ামিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনদুনা ১–০ দা উরুগেবু হেন্দুনা চৎখি। শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা টিম অসিগী শান্নরোই মমতাজ খাননা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং রেফরিনা ফাউল তারে হায়না হুইসেল খোঙলকপদগী ইন্দিয়ানা ২–০ দা মাংজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অদু মাংজখি।

শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা উরুগেগী শান্নরোইশিংনা চথরককিবা এটেক্ট অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা মাগদালেনা ভরগানা পাঞ্জল অমা চনদুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অহানবা ক্বার্টর অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চনদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু উরুগেগী দিফেন্দরশিংনা নিংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াবু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমহনদনা থমখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নরকপদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অদুমক বোল হেন্না পায়দুনা এটেক্ট তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক্ট অমদা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা লালরেমসিয়ামিনা মহাক্কী অমদি টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল চনদুনা ২–১ দা মাংজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ১১ অদুগী মতম অদুদা টিম অনীগী মাইকৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেক্টশিং অদু মায় পাকপা ঙম্নদনা ২–১ দা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মাইকৈদগী পাঙ্গল মান্নরকখি। অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙমদনা লৈখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা উরুগেবু ২–১দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা সোট ১৫ য়ৈশিনখিবগী মনুংদা উরুগেগী গোল কিপর বিক্টোরিয়া বাতেনা ঙাকথোক্তুনা য়াম্না ফাজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিম অসিনা য়ুঠ ওলেম্পিক গেমস অসিগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগদবা মেটচতা ভানুৱাতুগা থেংনরগনি।

# ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি–এদা ইন্টরনা এসপিএএলবু
# ২–১ দা থোইখ্রে,ইংলিস প্রিমিয়র লীগতা অর্সনেল অমসুং চেলসি মায় পাকখ্রে

রোম /লন্দন, ওক্টোবর ০৮ঃ
ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি–এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ইন্টরনা এসপিএএলবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। ইংলেন্দগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রিমিয়র লীগতা অর্সনেল অমসুং চেলসি মায় পাকখ্রে।



সেরি–এগী ইন্টর অমসুং এসপিএএল না ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু ইন্টরনা খুদুম চনদুনা শান্নবা হৌখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোই মাওরো ইকরদিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনদুনা মাংজিল থাবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদা টিম অনীগী মাইকৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা এসপিএএলগী শান্নরোই অলবার্তো পালোসচিনা পাঞ্জল অমা চনদুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মাওরো ইকার্দিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনদুনা মেটচ অদু মখোয়না এসপিএএলবু ২–১ দা থোইখি।

সেরি–এগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা নপোলিনা সসুলোবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদু হেক হৌবদগী নাপোলিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক্ট তৌবগী চাং ৱাংখি।

শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা নাপোলিগী শান্নরোই এ ঔনাসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনদুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মাইকৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭২শুবা মিনটতা নাপোলিগী অতোপ্পা শান্নরোই কে কৌলিভালিনা পাঞ্জল অমগা চনশিনদুনা মেটচ অদু নাপোলিনা সসুলোবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

ইংসিল প্রিমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা অর্সনেলনা ফুলহামবু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ২৫শুবা মিনটতা অর্সনেলগী শান্নরোই লকাজেটনা চনবা ঙমখি। ফুল হামগী মাইকৈদগী ৪৪শুবা মিনটতা স্কুরলনা পাঞ্জল অমা চনদুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা অর্সনেলগী মাইকৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা লাকাজেটনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনদুনা ২–১ দা মাংজিল থাখি।

শান্নবগী ৬৭শুবা মিনটতা অর্সনেলগী অতোপ্পা শান্নরোই এ রামসেনা পাঞ্জল অমগা চনশিনদুনা ৩–১ দা মাংজিল থাখি। শান্নবগী ৭৯ অমসুং ৯০শুবা মিনটতা অর্সনেলগী অতোপ্পা শান্নরোই ঔবামেয়াংনা টিম অসিগী মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা পাঞ্জল চনদুনা মেটচ অদু ৫–১ দা ফুল হামবু মায়থিবা পীখি।

ইংলিস প্রিমিয়র লীগ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা চেলসিনা সাউথমতনবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। অহানবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্নখিবনা মিনট ২৫ হেন্না চঙশিল্লক্নবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চান্নবা ঙম্নখিদে। শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা ইদেন হেজার্দনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনদুনা ১–০ দা মাংজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা চেলসিগী মকোক থোংবা শান্নরোই আর বারক্লিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাংজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা টিম অনীগী মাইকৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা চেলসিলগী অতোপ্পা শান্নরোই অলভারো মোরাতানা পাঞ্জল অমগা চনশিনদুনা মেটচ অদু ৩–০ দা মায় পাকখি।

ইংলিস প্রিমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা লন্দনদা লৈবা এনফিল্ড দা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং লিভরপুল পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

# কিরথানা পান্দিয়াংনা আইভিএসএফ ৱার্ল্ড
# য়ু–১৬ স্নুকর টাইটল লৌখ্রে

চেন্নাই, ওক্টোবর ০৮ঃ
ইন্দিয়াগী কিরথানা পান্দিয়াংনা বেলারুসকী অলবিনা লেসচুকপু ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা আইভিএসএফ ৱার্ল্ড অন্দর–১৬ স্নুকর চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌখ্রে।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী টাইটল লৌখ্রবী ইন্দিয়াগী কিরথানানা রুসিয়াগী অনাসতা তাসিজা চেময়াকিনাবু ২–০ দা, কৃষ্টিনা নিকোলাভাবু ২–০, সোফিয়া বেলবেনকোবু ২–১, ইন্দিয়াগী মানাসভিনি সেখরবু ২–০, রুসিয়াগী ইলিনা খাইরুরিনাবু ৩–০ দা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী টাইটল লৌদ্রিঙৈ মমাংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা থোইরমখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*